# ৰুহান্দগী হৌরক্লগা হোলিৰুদতা মফম কল্লরিবী চাইনিজ এক্ট্রেস Liu Yifei

*- নানি -*

মালেম্না খম থেংনা কিনরিবা নোভেল কোরোনাভাইরসকী ইপিসেন্টর ওইরিবা চাইনাগী ৰুহান হায়রিবা মফম অদুদা কুমজা ১৯৮৭কী ওগষ্ট ২৫দা খৃষ্টেল লিয়ু হায়নসু খঙনবা অদুগা ফেরি সিষ্টর হায়নসু খঙনবী মমিং লৈরবী সিঙ্গর, এক্টর, মোদেল Liu Yifei পোকখি। অপোকপা মপা ফ্রেঞ্চ লেংগ্বেজকী প্রোফেসর অমা ওইরম্বদগী ফ্রান্সতা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিগী অহানবা সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখি। অপোকপীনা ষ্টেজ পর্ফোর্মর অমা ওইবতা নত্তনা দান্সর অমা ওইনা মমিং লৈখিবী Liu Xiali গী অমত্তা ঙাইরবী মচানুপী ওইনা পোকখিবনি। মশাগী চহী ১০ শুবা মতমদা মমা-মপা অনী খায়নখি। লিয়ু মমাগা লোয়ননা মপাগী মতেং য়াওদনা চাউরকখি। মমা-মপা খায়নবা চহী অদুমক্তদগী মহাক পিয়ানো খোংবা, ঈশৈ শকপা তম্বা হৌরকখি। লোয়ননা খরা চাউরকপদগী মোদেল তৌবা হৌরকখি। লিয়ু কুমজা ১৯৯৭তা মমাগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ন্যু য়োর্কতা লৈরকখি, মফম অদুদা মহাক মিদ্দল স্কুলগী মহৈ তম্বা হৌখি। কুমজা ২০০২দা চাইনাদা অমুক হল্লক্লগা মহাক্কী এক্টিংগী করিয়র অমা শেম্নবা বৈজিং ফিল্ম একাদেমিদা মশাগী চহী ১৫শুবা মতম কুমজা ২০০২দা তম্বা হৌরকই, অদুগা কুমজা ২০০৬তা গ্রেজুয়েসন লোইখি।

মীওইবগী মদাও হায়বসি করিগুম্বা অমত্তনা থিংবা ঙম্বা নত্তে, মশানগা হান্না পামজবনে, একাদেমি অসিদা হেক মীং চন্দুনা এক্টিং তম্বা হৌরকপদগী মঙোন্দা টেলিভিজন দ্রামা কয়া কুম্নবগী খুদোংচাবা ফংদুনা লাকখি। ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০০৩দা **The Story of a Noble Family** হায়বা মমিং লৈরবা নোভেল অমদা য়ূম্ফম ওইবা রোমান্টিক দ্রামা সেরিজ অমা কুম্বা হৌরকখি। মদুনা মহাক্কীদি ষ্টেপ্পিং ষ্টোন হায়বদু ওইখি। মসিগী মতুংদা অতোপ্পা সেরিজ অমা **"Demi-Gods and Semi-Devil"** হায়বা অমগা কুমখি। মসিদগীদি লিয়ুগী মমিং অসি মীদিয়ানা অমদি ফেনশিংনা ফেরি সিষ্টর হায়না থোনবীখি। হৌজিকসু টাইৱান অমদি চাইনাদদি মহাক অসি ফেরি সিষ্টর হায়না খঙনরি। লিয়ু অঙকপা এক্টর অমনি। রোমান্টিক গর্ল অমা ওইনসু মহাক নিংথিজনা এক্ট তৌবা ঙম্বতা নত্তনা মার্সিএল আর্ট কয়াদসু মশক য়াম্না চঙখোন্না এক্ট তৌবা ঙম্মী। মসি মহাক্কী অকনবা চেলেঞ্জ অমা ওইনা হোৎনবগী মহয়নি হায়না মহাক্না হায়জৈ। কুমজা ২০০৫দা **The Legend of a Sword and Fairy** হায়বা দ্রামা অমদগী অমুক মহাক্কী মশক অসি ওন্থোকপা ঙমখি। ঈং-তপ্পা মান্না নিংথিজবী মশক অদু য়াম্না তমথীবা অমগী মশক ওইনা মীয়ামদা উহনবা ঙমখি। মসিমক্তি এক্টর অমগী চাউনা মায় পাকপনি হায়দবা য়ারোই। অসুম্না মহাক্কী মীংচৎ অসি নোংম-নোংমগী হেন্না-হেন্না ৱাংবা হেনগৎলকখি। অদুনা মীয়াম্না হায়নখিবা মসিগী এক্টর অসি শোয়দনা থোক্লবা অমা তৌরক্কদৌরি হায়বদু ঙসিদি তশেংনা অচুম্বা হায়বদু ওইরে।

হোলিৰুদ ফিল্ম **Mulan** হায়বা অসিদা মহাক্না লৌরিবা রোল অসিগীদমক কন্টেন্দর ১০০০ অমগা থেংনবদা মহাকপু সিলেক্ট তৌখিবনি। মসিগী তোঙান তোঙানবা মরম খরা লৈখি। মমাঙদা মহাক্না মার্সিএল আর্ট নিংথিনা হৈখিবা, হোৎনবা য়াম্না কনখিবা অসিনা মহাক্কী অচৌবা খুদোংচাবা অমা ওইখিবনি। রোল অসিদা শগোল থৌবা, ফাইটিংগী মখল কয়াগী ট্রেনিং তৌবা, লাল থেংনবা অমদি মমিৎ-মনা য়াম্না শিংদবা য়াদবা অমা ওইখি। অদুনা রোল অসি মঙোন্দা নিংথিনা চুশিন্নগনি হায়বা অসি খনবদগী মহাকপু খনখিবনি হায়বসি ফিল্ম দিরেক্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে। ফিল্ম অসি অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী আউটব্রেক অসি লাউথোক্কদবা হাপ্তা অমা ৱাৎলিঙৈগী মমাঙদা য়ু এস এদা অহানবা ওইনা রিলিজ তৌখিবনি। মদুদা মহাক মশা য়াওখি। ফিল্ম অদুদা য়াওরিবা ওরিজিনেল সোং অসিসু মহাক মশানা রেকোর্দ তৌদুনা শকখি। য়াম্না ঙকপা অমদি নুংঙাইরিবদি, ফিল্ম অদুদা শগোল কন্না থৌরগা মৈ হৌনা থাঙশাং হাইনদুনা য়ান্নবা, ফাইটিং সিন, মার্সিএল আর্টস অমদি য়াম্না কিনীংঙাই অমদি শোয়নীংঙাই ওইবা সিক্বেন্স কয়াদা মহাক মশানা ষ্টন্ট য়াওদনা এক্ট তৌবা অসিনি। মসিগী মতাংদা ফিল্মসিগী সিনেমাটোগ্রাফর ওইরিবা Mandy Walker না হায়, মহাক অসি অঙকপা এক্টর অমনি, মথৌনা য়াম্না লৈ, য়াম্না প্রোফেসনেল ওই। ষ্টন্টগী মথৌ তাবা সিচুয়েসন কয়াদা মহাক্না ষ্টন্ট য়াওদনা মশানা তৌজগে হায়না হায়বা অসিমক্তি অচৌবা চেলেঞ্জ অমনি। অরুবা ফাইটিংগী সিন অমা ১০রক হন্না টেক লৌবদা চপ চানা মহাক নাইন টাইমস নিংথিনা তৌবা ঙম্মী। মসিনি এক্টর অসিগী থোইদোকপা অঙকপা মগুন। ৱাফমশিং অসি **USA Today** হায়বা মেগাজিন অদুগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি। ইন্টরভিয়ু অদুদা Yifei না এক্টর অমনা করম্না মায় পাক্কদগে হায়বগী মতাংদা অসুম্না খুমখি, - *"Like most female actresses, I am always aspiring to succeed and become a popular star, and my positive energy never dies out. And it wasn't until entering my twenties that I began to identify my real dream as an actress. I realized that acting is not all about receiving people's applause or cheer. It is about delivering the right character to the audience and feeling satisfied in who you become on stage. Therefore, I try to focus more on the abstract qualities of acting, and I hope to become a better actress throughout time."*

Yifei হৌজিক ফাওবদা হোলিৰুদ ফিল্মদা মায় পাকখিবশিংগী মনুংদা জেকি চানগা কুম্মিন্নখিবা **The Forbidden Kingdom (2008)** অমদি নিকোলাস কেজগী ওপোজিট করেক্টরদা কুমখিবা **Outcast (2014)** অসিসু নীংশিংবা য়াই। হৌজিক ফাওবদা ফিল্ম ২০দগী হেন্না কুমদ্রি। টেলিভিজন দ্রামা সেরিজ ৬ অমসু কুমখ্রে। বেষ্ট এক্ট্রেস য়াওনা এৱার্দ ৪ ফংখ্রে, নোমিনেসন ৩ অমসু চঙখিবা লৈখ্রে। ফংখিবা এৱাদশিং অদুদি – 5th Macau International Movie Festival 2013 (Best Actress – film The Assassins), 16th Chinese Film Media Awards 2016 ( Most Anticipated Actress, film – The Third Way of Love), 13th Guangzhou College Student Film Festival 2016 (Most popular actress, film – Night Peacock, Never Gone) হায়রিবশিং অসিদনি। অদুগা বেষ্ট এক্ট্রেসকীদমক 9th Macau Internal Movie Festival 2017 দা নোমিনেসন ফংখিবা অদুদি **Once Upon a Time,** 40th Montreal World Film Festival, 2016 দা Night Peacock অমদি 20th Sanghai International Film Festival 2017 দা **The Chinese Widow** হায়বা ফিল্ম অদুদনি। হোলিৰুদকী অতোপ্পা ফিল্ম অমা অনীসু এসাইনমেন্ট লাকখিবা লৈখ্রে, অদুবু হৌজিক্কী ওইরিবা মালেমগী পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা ফিল্ম শুটিং অয়াম্বা লেপ্পরিবা অসিনা মখা তাবা পাউদি করিসু থোইনা লৈত্রি। এক্ট্রেস অসি হৌজিক-হৌজিক য়ু এস এদা লৈরি। মশাগী হোৎনবা কনবা, মথৌনা লৈবা অমদি এক্টর অমা ওইবগী প্রোফেসনেলিজম অদু মশক মুন্না খঙবা লোয়ননা হেক হৌরকপা মতমদা মহাক্না মঙজখিবা মঙলান অদু হৌজিকফাওবা কায়হন্দনা য়োক্তুনা থম্নবা মহাক্কী অনৌ অনৌবা থৌনা হাপ্পা ঙল্লিবী এক্টর অসি হেন্না মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইরকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। লোয়ননা মশানসু ওস্কার নোমিনী চঙবা ঙমগদবা চেলেঞ্জিং ওইবা রোল অমতং ফংলবদি হায়দুনা হৌজিকসু অচৌবা মঙ অমা মঙলি।





## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪।১০।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৭.২৮ ফাওবা মেরাগী ১৭নি পাল্লি, মতুং ১৮নি পাল্লনি।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি য়েক্নবনা ৱারৌবা খরা লৈরবসু লাইবক ফবা মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াবা অমদি পল্লম্বা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** হোয়া ফবা, অহৈ অপা শাবা অমদি য়েৎনবদা মাঙজিল থারুবদি মাঙজবতা থুংগনি। নচা-ননাই অমদি নচাক-নরল লেপশিনবগী লমদদি মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি, লেংদবা লন ফংবৈ নুংঙাইবা অমদি মীয়াম লোয়নবনা হেন্না কান্নবা ফংবা লৈগনি। চিন য়াংলদি কাইনবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** থবক পাংগনি, লাইবকসু ফগনি অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি। হনবা লৈতনা হোৎনবনা নচাক নরল চাওখৎকনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** হেন্না অশা চাওবা তৌগনু অমদি নীংবদুমক পাংগনি খনগনু। হায়নিংবা ৱা ঙাঙবদদি মীনা তাগনি অমদি অরং-অরাক লৌবসু য়াগনি অমদি মরুপ্পসু চাল্লি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা অমদি য়েৎনবগী কান্নবা লৈতবা নুমিৎনি। খাংবা কনবা অমদি থিবা হুম্বা কনবনা মাঙগদবা কয়াদগী কঞ্জগনি। য়াকা য়েংউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - তাশিনবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** নীংবা থুংবা, লাইবক ফবা, হকচাং নুংঙাইবা অমদি মীয়ামগা অফবা মরী লৈবা নুমিৎনি। অদুবু পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি মীঙমদবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** লম্ অয়াম্বদা মায় পাক্কনি। মীচং লৈ, মীকোক থোংগনি অমদি থৌনা লৈবনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি, লন ফংই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** মতম খরা মাঙলসু লন অমদি মীংচৎ ফংগনি। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা অমদি মখোয়গা লোয়ননা পাংবা থবক্তি শোইদনা মায় পাক্কনি। য়েৎনবদি মায়থীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খাংবা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** ঙসিসু অনীংবা থবক পাংগনি, মীয়াম্না থাগৎপীগনি অমদি নচা-ননাইগী লম্দা পুক্নিং পেনবা লৈগনি। লান্না পাউথোকপীবা অমদি হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** নীংবা থুংগনি, মীচং খোম্বা য়াগনি অমদি লাইবক ফগনি। অদুবু অনম তানবা অমদি নাপলদি থাদোকউ। ঈংথবনা মাঙগদবা কয়াদগী কনজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** অশাওবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং লোয়নবা অমদি মখোয়গী ৱা তাবনা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা শোইদনা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




**তোম্বনা গাড়ী য়াম্না য়াঙনা থৌবগীদমক পুলিসনা ফারগা কোর্টতা পুথোক্লবা পুরম্মী**

**জজ :** নহাক্না অচৌবা অরানবা থবক অমা তৌরে। মদুগীদমক নঙ চৈরাক ফংলগনি। চৈরাক অদুদি নুমিৎ ৩০নি জেলদা লৈবা নৎত্রগা লুপা লিশীং ৩ মসিগী মনুংদগী করম্বা পাম্মী?
**তোম্বা :** জজ সাহেব, ঐদি শুপ্নগী লুপা লিশীং ৩ ওইনা পাম্মী।

---

**চাউবনা রোহেনদা হায়**
- নঙ খঙব্রা, ঙসি ঐ মিনট মঙাদা কিলোমিটর ১০ চেল্লি।



**রোহেন** - অদুদি য়াম্না ফৈনা রেকোর্দ অমা থম্মে। অদুবু করিগী চেল্লিবনো?
**চাউবা :** ৱাখল শোন্থনা হায়রকই - অপংবা মীওই খরা লৈ, হুইদি য়োক্কনি খঙবা অদুগা পুল্লগা থমগনিদি খঙদবা মীওইশিংনা মরম ওইরগা চেল্লিবনি।

---

**এক্তিভা অহনবা লৈদুনা অহানবা ওইনা থৌদুনা পেত্রোল পম্পতা থাও হানবা লাকখি।**
**নুপী :** তামো পেত্রোল মমল কয়ানো?
**থাও হানবা :** মেদাম লিটরদা ৭৮নি।
**নুপী :** ময়েক শেংনা হায়বীয়ু। মমাঙদা লৈরিবা থাও হানফম অসিদদি শুপ্নগী লুপা ৬৫ খক্তা পী।
**থাও হানবা :** শাউরদুনা, হো মেদাম মমাঙদা লৈরিবা থাও হানফমগী মেছিন অসিদি দিজলগী থাও হানফমনি।

---

**নুপী :** তাবিরিব্রো, নঙগী নচানুপাসি ঙসি ঙরাং পৈশা য়াম্না লৌথোকপা হৈরে। মফম অমদা লোৎলবসু হেক্তো য়াম্না লায়না থিদুনা পৈশা লৌথোকই।
**মপুরোয়বা :** য়াম্না লম হেনবা অঙাংনি। পৈশাদো মানা থিবা খঙদনবা মানা পারিবা লাইরিক মরক্তা হাপচিল্লু। এগজাম হেক লাক্ক্রিবা ফাওবা থিবা খঙলরোইদবনি।


---

**এগজাম অমদা ক্বেসন অমা য়াওরম্মী। ক্বেসন অদুদি চেলেঞ্জ হায়রগা করিবু খঙনবগে?**
**তোমচা :** ক্বেসন অদু পারগা মহাক্কী অন্সর পেপরদা করিমত্তা ইদনা পুমহাং হাংদুনা থস্লম্মী। অদুগা অরোইবা পেজদা মহাক্না ইরম্মী - করিগুম্বা অশেংবা ওজা ওইরগদি পাস তৌহল্লগা তাকউ।


---

**টেক্সি ড্রাইভর :** সর, ব্রেক ফেল ওইরে কমাই তৌসিগে? গাড়ী লেপ্পু য়াদ্রে। কৈদৌসিগে?
**গাড়ী তোংলিবা নুপা :** ড্রাইভর অহানবদা নঙ মিটরদু হান্না লেপহল্লু।


☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।





Title : Poke'mon
By : Thokchom Russel
Class : VII Sec :     Roll No.
School : Kanan Devi Memorial School



Title : Rabbit
By : H. Yaiphaba
Class : III Sec : B     Roll No. 45
School :



Title : Home
By : Maibam Ricky
Class : I Sec : Emerald     Roll No. 01
School : Kids' Foundation




Title : Per Man
By : Thengujam Bickyson
Class : II Sec :     Roll No. 56
School : Tiny Tot's Unique School



Title : Princess Sofia
By : Anjalika
Class : III Sec : C     Roll No. 51
School : Pitambara English School



Title : A Little Mermaid
By : Florence Thoudam
Class : III Sec : B     Roll No. 17
School : Green Tree Academy



Title : Tree
By : Ngasepam Krishnan Singh
Class : K.G. Sec :     Roll No. 01
School : Alpha & Omega School



Title : Scenery
By : Ngasepam Manshita Devi
Class : IV Sec : B     Roll No. 63
Address : Nirmalabas High School



Title :
By : Wahengbam Nongthangamba Singh
Class : III Sec : C     Roll No. 31
School : Catholic School Canchipur